# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 22-06-2025)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চিং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া লেপ্তুনা ফাগৎলি।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ময়াং ইম্ফাল থানা মমাং থোংখোঙদগী কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী কাডর অমা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা ফাখি। ফারবা মীওই অসি ময়াং ইম্ফাল থানা ৱাংখে লৈকাইদগীনি। মঙোন্দগী দিমান্দ লেট্টর ১১ য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎখি।

থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসননা কোনবা গ্বারোক মহাদেবকী চিংশাংদা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চঠখবদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমলে। খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর. অমা, এস.এম.জি. করবাহন অমা, নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, থারটি সিক্স ঐচ.ই. হেন্দ গ্রেনেদ অহুম, নোংমৈ মরু য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎলে।

ককচিং জিলাগী অরোং নোংমাইখোঙ পুলিস ষ্টেসননা কোনবা নোংমাইখোং মখা লৈকাই হিলস রেঞ্জতা চঠখিবা ওপরেসনদা মেগজিন অনিগা লোয়না এস.এম.জি. করবাইন অমা, এ.কে. ফোরতি সভেন রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল গন অনি, শেমদোক্লবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, আই.ই.দি. অহুম, স্কোপ লেন্স অমা, ট্যুব লোঞ্চিং অমা, থারটি সিক্স ঐচ.ই. গ্রেনেদ অমা, রবর বুল্লেট য়াওবা থারটি আইট এম.এম. এন্টি রাইওট তরুক, নোংমৈ মরু য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎলে।

কাংপোকপী জিলাগী লৈমখোং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা এল. ফাইকোত অমদি লৈলোন বাইফৈ অনিগী লোন্নবদা লৈবা উমংদসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা

হুম্বগী থবক চথুখি। মদুদা পোম্বী গন অমা, মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর. অমা, আই.ই.দি. অনি য়াওনা লানদা শিজিন্নবা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎলে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লমলাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা চিংখৈ চিং, ফকংদা চথুখিবা ওপরেসনদা মেগজিন য়াওবা ইনসাচ এল.এম.জি. অমা, মেগজিন য়াওবা ইনসাচ রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর. রাইফল অনি, স্নাইপ্পর রাইফল অমা, পোইন্ট থ্রি টু পিষ্টোল অমা, নোংমৈ মরু খরা অমদি অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎখি।

জিলা অসিগী য়াইঙাংপোকপী পুলিস ষ্টেসনননা কোনবা ময়োফুং সনাশাবীগী মফমদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফগৎলকখিবা খুৎলায়শিংগী মনুংদা-থ্রি নোট থ্রি বিপোদ মাউন্টেদ রাইফল অমা, হেভি কেলিভর মোটার অনি, হেভি কেলিভর মোটার বোম ২০, বরমিজ আই.ই.দি. অনি, থারতি সিক্স হেন্দ গ্রেনেদ তরেৎ, জিরোরিং গ্রেনেদ অহুম, নম্বর আইট দব্লিয়ু.পি. গ্রেনেদ মঙা, নোংমৈ মরু খরা অমদি অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎখি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-চুরাচান্দপুর অমদি কাংপোকপী জিলাদা লাউথোক্লম্বা সটদাউন্দ অদু হন্দোকখ্রে।

**কোবিদ (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙরাং নৌনা মীওই ৩০ কোবিদ নাইন্তিন পোজিটিব ওইবা থেংনখি। হৌজিক ফাওবদা পুন্না পোজিটিব ওইবা মীগী মশিং ১১২ শুরে।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী চেরোল অমনা হায়-ঙরাং মীওই ১১৮ গী সেম্পল টেষ্ট তৌবদা মীওই ৩০ কোবিদ পোজিটিব ওইবা থেংনখিবনি। মীওই ৩০ অসিগী মনুংদা- ইম্ফাল ইষ্টতগী মীওই মঙা, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মীওই ২৪, থৌবালদগী মীওই অমা য়াওরি। হৌখিবা পুং ২৪ দা মীওই অহুম নাবা ফাগৎলকখি। হৌজিক ফাওবদা মীওই ৯৮ হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরি।

**ডে (এল)** ঃ মালেমগী ১১ শুবা যোগ নুমিৎ, ঙরাং মনিপুরগী তোঙান

তোঙানবা মফমশিংদা পাক শন্না পাঙথোকখি।

মহিলা পতাঞ্জলি যোগ সমিতি-মনিপুর অমদি চিংঙামথক রোড য়ুথ দিবলপমেন্ট এসোসিয়েসন (সি.আর.ৱাই.দি.এ) অনিনা পুন্না শিনদুনা শিংজমৈ চিংঙামথক কম্ম্যুনিতি হোলদা ঙরাং মালেমগী যোগ নুমিৎ পালন থৌরম পাঙথোকখি।

এন.এস.এস. সেল, আই.ক্যু.এ.সি. ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতি অমদি জি.পি. ৱিমেন্স কলেজকী যোগ সেলনা পুন্না শিনদুনা ঙরাং জি.পি. ৱিমেন্স কলেজগী ইন্দোর হোলদা মালেমগী যোগ নুমিৎ পালন থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদু ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার ডব্লিয়ু. চা দবাবুনা হৌদোকখি।

ভারত লান্মীগী রেড সিল্ড দিভিজননা শিনদুনা ঙরাং মনিপুর অমদি নাগালেন্দগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা মালেমগী যোগ নুমিৎ পালন থৌরম পাঙথোকখি। 'যোগ ফোর ৱান আর্থ, ৱান হেলথ' হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ভারত লান্মীগী ইমুং মনুংশিং, স্কুলগী মহৈরোইশিং, এন.সি.সিগী কেদেদশিং অমদি তোঙান তোঙানবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি। মনিপুরগী ওইনা লৈমখোং মিলিটরি ষ্টেসন, বিষ্ণুপুর জিলাগী থাঙ্গা ফুটবোল গ্রাউন্দ, থমাপোকপী, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী য়াইঙংপোকপী, লীতান, মফৌ অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী খুরখুলদা পালন থৌরমশিং পাঙথোকখি।

সাইনি স্কুল ইম্ফালনসু শিনদুনা ঙরাং মালেমগী যোগ নুমিৎ পালন থৌরম পাঙথোকখি।

**অমিতঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-ভারতনা পাকিস্তানগা তৌনবা ইন্দস ৱাটর ত্রিতি কৈদৌঙৈদসু অমুক হন্না চৎনহনবা তৌরোই। মহাকা হায়-রাজস্থানদগী পাকিস্তান তমা চেল্লিবা ঈশিংগী অহেনবা শরুক অদু খাইদোক বগীদমক কেনেল অমা সরকারনা শেম্লগনি।

ইংগ্রাজিগী নুংতিগী ফোংবা পাউচে অমগা ৱারী শান্নবদা শ্রী সাহনা হায়-সরকারনা টেরোরিজমগী মায়োক্তা পায়খৎপা থৌশিলদা কৈদৌঙৈদসু অখাকপা থল্লোই। শ্রী সাহনা হায়-কাশ্মির, নেক্সলাইটশিংগী লৈফম অমদি অৱাং নোংপোক লমদমদা টেরোরিজমগী হৌরকফম মপুং ফানা খঙদোকবা সরকারনা হোৎনরি।

মহাকা হায়-ভারত অসি খ্বাইদগী শাফবা অমদি খ্বাইদগী ফবা লৈবাক অমা ওইবতা নত্তনা মালেমগী লৈবাক কয়াগী অমত্তা ঙায়রবা শেল থাদফম অমসুনি। শ্রী সাহনা হায়-ভারত অসি অরোন অথুপ লৈতবা, থৌশিল থৌরাং চৎনবা অমসুং পোৎ লৈদুনা শিজিন্নবা মীগী মশিং য়ামা লৈবা গনতন্ত্র চৎপা লৈবাক অমনি।

**দিজিসিএঃ** দাইরেক্তোরেট জেনরেল ওফ সিভিল এভিয়েসন (দি.জি.সি.এ) না ইয়ার ইন্দিয়াদা মখোয়গী ওফিসিএল অহুম ক্রুশিং শিন্দোক শিঞ্জিন তৌবগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা য়াওহন্দনবা খঙহনখ্রে।

ওফিসারশিং অদুগী মথক্তা থিন্থবা তৌদনা দিসিপ্লিনারি এক্সন লৌখৎনবা অমদি মদুগী রিপোর্ট নুমিৎ তরানিগী মনুংদা পীখৎলকবসু হায়খ্রে।

চেরোল অমদা দি.জি.সি.এনা হায়-ওফিসিএলশিং অসিনা ওথোরাইজ অমসুং নোন-কমপেন্ট ক্রু পিয়ারিং, মেদেটেরি লাইসেন্সিংগী নিয়ম থুগায়বনচিংবা য়াওনা চাউনা অশোয়বা থবক কয়া তৌখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মালেমগী যোগ নুমিৎ পালন পাঙথোকখিবগী পাউ, অকি-অখঙ লৈতনা লৌউ উবা য়াহল্লু হায়বা কোকোমিগী ৱাফম অমদি মনিপুরগী ৱাথোক অসিগী মতাংদা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনচিংবনা ঙসি ফোংবা

পাউ-চে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মনিপুরদসু ঙরাং মালেমগী যোগ নুমিৎকী পালন থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউ মনিপুর মেলদা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা-গভনর অজয় কুমার ভালানা শরুক য়াদুনা ষ্টেটকী থাক্তা ইন্টরনেসনেল যোগ ডে পাঙথোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ফারম সেফতি জোন লাউথোক্তুনা সুট এদ সাইটকী ওর্দর পীয়ু হায়বা কোকোমিগী ৱাফম-সনা লৈবাক্কী অনিশুবা হেদলাইন পাউ ওইরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং মনিপুর মেলদসু হেদলাইন তৌরি।

লৌরাং শুরিবা লৌমীশিং ঙাক শেনবগী থবক সি.আর.পি.এফ. অমদি বি.এস.এফনা পায়রগনি হায়বা ওফিসিএলগী ৱাফম নহারোলগী থৌদাংগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদসু ফার্মর সেফতি জোন শেমদুনা অকনবা থবক লৌখৎকদবনি হায়বা কোকোমিগী ৱাফমগা লোয়ননা পাউ অসি অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি হুইয়েন লানপাউদসু হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মনিপুরগী ক্রাইসিষ্ট টেরোরিজমগী থৌওং নত্তে, ইথনিক ক্রাইষ্টনি, ফুরুপ অনিগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্ত্রিঙৈ লৈঙাক শেন্বা মতম খরা চংখিগনি হায়বা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহগী ৱাফম নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি।

পোকফমদা-মনিপুরগী ৱাথোক অসি টেরোরিজম নৎত্রগা এন্টি নেসনেল ইশু নত্তে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। মনিপুরগী ৱাথোকা অৱাং নোংপোকগুম্বগী সেক্যুরিতিদা শোথহল্লে হায়বা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকী পাউগা লোয়ননা ফুরুপ অনিগী মরক্তা য়াশিন্নদ্রিবমখৈ লৈঙাক শেন্বদা ৱাগনি হায়বা অমিত সাহগী ৱাফম সনা লৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন পাউ ওইরি। পাউ অসি-সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতসু কল্লর হেদলাইন ওইনা ফোংলি।

মনিপুরগী ক্রাইসিস্ট অসি টেরোরিজম নত্তে, য়াশিন্নবা পুরক্ত্রিবমখৈ সরকার শেম্বগী ৱাফম লৈতে হায়বা গৃহ মন্ত্রিগী ৱাফম অসিমক পিপলস ক্রেনিকলদসু চাউনা হেদলাইন তৌরি।

অহমেদবাদকী এরোপ্লেন কায়বগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবী ক্রু মেম্বর-ঙাস্থোইগী হকচাং মশক খঙলে, ঙসি পুরক্লগনি হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংদসু অহানবা লামাইদা ফোংনরি।

মনিপুরদা হৌজিক কোবিদ নাইন্তিনগী অপুনবা পোজিটিব কেস মশিং ১১২ শুরে হায়বা পাউসু পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরি।